# হন্দক্কী ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসকী ইন্দিয়ন মেন্স হোক্কী টিমদা মণিপুরদগী কাঙুজম চিংলেনসনা মতোমতমক য়াওরকখি



**হন্দক্তা** লোইশিনখিবা ১৮ শুবা বেঙ্কোক এসিয়ন গেমসতা, কাঙুজম চিংলেনসনা (ইন্দিয়ন টিমগী ভাইস কেপ্টেন) মতোমতমক য়াওরকখিবা অসিনা তাক্লিবসি, মণিপুরদা হোক্কীগী ৱেভ হন্থরক্লে হায়বনি। মমাঙগী এসিয়ন গেমস, ওলিম্পিক গেমসতা মণিপুরদগী হোক্কীদা য়াওখিবসি কে ঐচ কোথাজিৎ, কে চিংলেনসনা, পী সুশিলা চনু, থোকচোম অনুরাদা অসিনচিংবনি। হন্দক্কী ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমসতা মৈতৈ নুপী অমত্তা য়াওবা ঙমখিদবা অসি, তশেংবদি হোক্কীগী নুপী শান্নরোয় পুথোকপগী চাং য়াম্না ৱাৎলে হায়বগী মতিক চাবা খুদম চাংদম ওইরে।

হৌজিক হৌজিক সাই রিজনেল সেন্টর (তাকয়েল) দা নুপী হোক্কী শান্নরোয় শেমগৎলিবা মওং-মতৌ অসিসু, অফবা অঙাং পুথোক্কনি হায়বা থাজদে। খ্বাইদগী চান্নদবা অমদি সাই সেন্টরদা শান্ন-খোৎনবগীনি হায়দুনা লৈরিবা অঙাংশিং শান্নবগী অয়ুক নুংথিল ট্রেনিং পীরবসু, মহৈ-মশিন তম্বগী মতাংদদি নশা-নশানা থোকপা তম্লুচো হায়না থাদোকপগী মওং অমা লৈরি। মসিনা শান্নরোয়শিংদদি হেন্না খুদোংচাদবা অমসু মায়োক্ল হল্লে। হান্না সাই সেন্টর অসি হাংদোকপা কুইদ্রিঙৈদদি, মনাক নকপা স্কুলশিংদা নিংথিনা কনটেক্ট তৌবীদুনা লাইরিক লাইশু তমহল্লম্মী। অরাপ্পা মফমদগী লাক্তুনা লৈরবা প্লেয়রশিংদদি মদুনসু মপুন্সিগী অচুম্বা মায়ওন অমা শেম্বদা চাওনা কান্নবা ওইখি। শান্নবা হায়বসি তশেংবদি লাইরিক্কা লোয়ননা থোং মান্ননা চৎমিন্নহল্লু হায়বনি। হীরম খুদিংদা লাইরিক-লাইশুগী ৱাখল্লোন য়াওদবা সুকয়া য়ারোই।

অমরোমদা, হৌজিক মণিপুরদা ২০০৭ তগী চলাইদুনা লৈরিবা নেসনল স্পোর্টস একাদেমিদা নুপা অমদি নুপীগী টিম হাপচিন্দুনা শেমগৎনিংদ্রিবসিনা করিগীনো? লমদমসিগা চান্নজবা গেম অমসু

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**এসিয়ন গেমসকী হোক্কীদা**

ওইরিবা হোক্কীগী শান্নরোয়শিং থম্ননবগী থৌরাং অথুবা মতমদা খন্নবীয়ু। গ্রাসরুটতগী ৱানা ৱানা লন্নাই ক্লব খরনা শেমগৎচরকপা অঙাংশিং, মখা তানা হেন্না অফবা ট্রেনিং পীবা ঙমদবদগী থ্বালিয়রদা, ভোপাল সাইদা ... পুল্লপ পুল্লপ থাদোক্তুনা লৈরে। মীগী ষ্টেটতগীদি, মণিপুরদগী নুপী অমদি নুপাগী হোক্কী শান্নরোয়শিং ইতৎ তক্তনা হন্ট তৌবা লাক্লি। মফমসিদসু হৌজিক্তি ষ্ট্রো টর্ফ হোক্কী ফিল্ড অনী লৈরে। খুমন লম্পাক্কী টর্ফ গ্রাউন্দদা, ত্রায়ল সাইগী গ্রাউন্দদা অয়ুক-নুংথিল নাইদনা ট্রেনিং পীবসু য়ারে। হোক্কী মশান্নগী ওইনদি মণিপুরদা ষ্ট্রো টর্ফ লাক্ত্রিঙদগী হৌনা ওলিম্পিয়ন পুথোকখ্রবনি। মণিপুরদা হোক্কী শান্নরোয় শিথরকপা অসিমক্তি হীরম অসিদা পুক্নিং চঙবা ৱাৎপদগীনি হায়বা তাই। শান্নবদা ওইরোইদবা গেম মখল কয়াদা ৱাখল থাদবগী মহুৎতা, ওইগদবা মশান্না খরখক্তা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা হোৎনরবদি হৌজিকসু অফবা প্লেয়র হেন্না পুথোকপা য়াখিগনি। নেসনল স্পোর্টস একাদেমিগুম্বা অমদা টিম/টিম শেমদুনা লাইরিক্কা লোয়ননা চৎমিন্নহনখ্রবদি হোক্কীদদি লৈবাকসিগী মীংচৎ পুরকপা লেপ্তুনা থোরক্কনি। হৌজিক্কী মতমসিদদি থবক অমা তৌবদা হেন্না মমুৎ তানা মুন্না খন্থরগা অশানবা মীৎয়েং থমদুনা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মণিপুর ষ্টেটকা চান্নজবা, গেম অমা অনীসু নেসনল একাদেমিগী অঙাং শেমগৎলিবসিদা হাপচিনবদা থোইনা কায়গনি নিংদে। হোক্কী হায়বা গেম অসিদি ইন্দিয়াগী ওইনসু হেন্না পুক্নিং চঙনরিবা মশান্না মখল অমনি। বোক্সিংদা, ৱেটলিফটিংদা, জুদোদা, আর্চরিদা ... থৱায় য়াওনা হোৎনবগুম হোক্কীদসু খরা হেন্না ৱাখল থাদবীরক্লগদি হৌজিকসু শান্নরোয় থোরক্কনি। হন্দক্কী ১৮ শুবা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমসতা কে চিংলেনসনা (ভাইস কেপ্টেন ওফ ইন্দিয়ন টিম) মতোমতমক য়াওরকখিবসি মথংগী লাক্কদবা গেমশিংদদি হেন্না য়াওহন্ননবা হোৎনমিন্নসি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৮

১। মহাক ৱর্ল্ড রেকোর্দ অহুল্লক থুগাইখি, এসিয়ন গেমস অহানবা ওইনা শরুক য়াবদা হান্নগী রেকোর্দ থুগাইদুনা সনাগী মেদল ফংখি। এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ অনীরক, এসিয়ন গেমস অনীরক্তা সনাগী মেদল ফংখিবা, এসিয়ন রেকোর্দ চহী ২৫ হেন্না পায়খিবা এথলেট অদু কনানো?

২। অসাম ওলেম্পিক এসোসিএসনগী অহানবা প্রসিদেন্ট (ফাউন্দর প্রসিদেন্ট) অদু কনানো?

৩। মহাক ওলেম্পিক্কী থৌরম অহুমদা মকোক ওইখি। থৌরম অমদা অনীশুবা তাখি। মরৈবাক্তা হল্লক্লবা মতুংদা কম্পিটিসন য়াওবা চহী অনী থিংখি। নাজিগী কন্সেনত্রেসন কেম্পতা অনীশুবা লাঞ্জাওদা শিখি। মহাক জিউনি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪। মহাক্না অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংখি। মদুদা অনীশুবা তাখিবা লমজেল্লোয় অদুগা রেকোর্দ চপ মান্নখি। মথংগী ওলেম্পিক গেমসতসু অনীশুবা তাখিবা লমজেল্লোয় অদুগা রেকোর্দ চপমান্ননা লমথুংফম য়ৌখ্রবসু মহাক্না মকোক ওইখিবা লমজেল্লোয় অদু কনানো?



৫। ফুটবোল টিম অনীগী শান্নরোয়শিংগী পূন্না নমিন্নবা ফোটো অমা পীরিবা অসিদা টিম অমদি নামিবিয়ান লিজেন্দস (Namibian Legends) নি। অতোপ্পা টিম অসিগী মমিং পীয়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীনা মোকামলুং এফ সীবু পাঞ্জল ৬-০ দা মায়থীবা পীখ্রে

জিরিবাম, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা লৈবা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ১৪ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সব-জুনিয়র বোইজ (চহী ১৫ অমসুং মখা) ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীনা মোকামলুং এফ সীবু পাঞ্জল ৬-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।


ঙসিগী মেচ অদুদা জে ৱাই সী জাইরোলপোকপী অমসুং মোকামলুং এফ সী টিম অনীনা অকনবা লম্বা পুথোক্লদুনা মেচ অদুগী পাঞ্জল চন্ননবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি। জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীগী মায়কৈদগী মেচ অদুগী টোস ঙমদুনা বোল হান্না কাওবা ঙমখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফকী মমাঙদা টিম অনীনা য়াম্না কন্না ফুটবোল মেচ অদু শান্নবদা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। টিম অদুগী দারলিয়েনসাংনা শান্নবগী ১৬ অমসুং ৩০ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা হাফতা মোকামলুংগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনরকপদা মতম য়াম্না লৌখি। শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরিবা মোকামলুংগী শান্নরোয়শিং অদুগী মায়োক্তা জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৩ লালচোংলিয়েননা অহেনবা পাঞ্জল অমা হাপচিনখি। মদুনা মোকামলুং এফ সীবু মেচ অদুদা ৩-০ দা মাঙজিল থারগা চৎখি। শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনিটতা জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীগী মায়কৈদগী শরুক য়ারকখিবা পোলেনসাংনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমখি। মহাক্কী মতুং টিমমেট ভালটৈনা শান্নবগী ৬২ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মোকামলুং এফ সীবু জে ৱাই সী জাইরোলপোকপীনা ৬-০ দা থোইখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা পাওঙাপাওনা সেন্টর রেফরি ওইখি লোয়ননা এল অনিলকুমার, অজিস হাইদর অমসুং বিস্বজিৎনা এসিষ্টেন্ট রেফরি অমসুং ফোর্থ রেফরি ওইখি।

# য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী ফাইনেলদা সেরেনা ৱিল্লিয়মস অমসুং ওসাকা থেংনরগনি





ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী)ঃ চহী অসিগী টেন্নিসকী গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ু এস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়ূম্বু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় সেরিনা ৱিল্লিয়মস অমসুং জপানগী নাওমি ওসাকানা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ১৭ শুবা সীদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবী য়ু এস এগী মতম শাংনা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্টকী টাইটল কয়া ফংখ্রবা মতুং মচা উনবগী মতম খরা শান্নবা য়াওরুদ্রবগী মতুংদা নৌনা কম্পিটিটিব টেন্নিসতা মায়োক্লবা কয়াবু মায়থীবা পীদুনা য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা লাটভিয়াগী অনাষ্টেসিয়া সেবাষ্টোভাবু ষ্ট্রেট সেট ২ দা ৬-৩, ৬-০ দা থোইদুনা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারকপদা ২০ শুবা সীদেদ ওইখিবী জপানগী নাওমী ওসাকানি। ওসাকানা মহাক্কী ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেচতা য়ু এস এগী শান্নরোয় ১৪ শুবা সীদেদ মেদিসন কিজবু য়াম্না কোম্না ৬-২, ৬-৪ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী রাফেল নদালনা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সীদেদ শান্নরোয় অর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পোত্রোগা থেংনগনি। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা জপানগী শান্নরোয় কৈ নিসিকোরি অমসুং সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচকা লম্বা তৌনগদৌরি।

রাফেল নদালনা ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদল ওষ্ট্রিয়াগী মাপনশুবা সীদেদ শান্নরোয় দোমিনিক থিএমগা অকনবা লম্বা তৌনদুনা সেট ৩-২ দা থোইখি। অহানবা সেট থিএমনা য়াম্না কোম্না ৬-০ দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা সেট অদু ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নদালনা ৬-৪ দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা সেট অদুসু মহাক্না থিএমবু ৭-৫ দা থোইদুনা সেট ২-১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

দোমিনিক থিএমনা রাফেল নদালগী মশান্না অদুগী চপ চাবা পাউখুম পীদুনা ৪ শুবা সেট অদুদা টাই ব্রেক ফাওবা পুরক্তুনা মখা তাবা লম্বাদা মহাক্না পোইন্ট ৭-৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু সেট ২-২ থোইনদুনা লৈখি। ৫ শুবা অমদি অরোইবা সেট অদুদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিএমনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবা স্পেনগী শান্নরোয় রাফেল নদালবু চাং মান্নবা লম্বা পীদুনা টাই ব্রেকতা শান্নবা অদু মখা তাখি। টাই ব্রেক অদুসু শান্নরোয় অনীনা লাকশিনবা ঙম্ন দবদগী শুপ্নগী পোইন্ট অনীখক হেল্লগা রাফেল নদালনা ৭-৫ দা থোইরগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নদালনা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সীদেদ শান্নরোয় অর্জেন্টিনাগী জোন মার্টিন দেল পোত্রোনি। পোত্রোনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ু এস এগী জোন ইস্নরবু ৬-৭ (৫-৭), ৬-৩, ৭-৬ (৭-৪), ৬-২ দা থোইরমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী শান্নরোয় অমা ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিনা ক্রোসিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী তরেৎশুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবা মারিন সিলিকপু ২-৬, ৬-৪, ৭-৬ (৭-৫), ৪-৬, ৬-৪ দা য়াম্না অকনবা লম্বা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী তরুকশুবা সীদেদ ওইরিবা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচকা সেমি ফাইনেলদা শান্নগদৌরিবনি। জোকোভিচনা মহাক্কী ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনবু ৬-৩, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা অহুমশুবা সীদেদ প্যের য়ু এসকী মাইক ব্রাইন অমসুং য়ু এসকী জেক সোকনা তরেৎশুবা সীদেদ পোলেন্দ লুকাস কুবোট অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোগা লম্বা তৌনরগনি। নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা অনীশুবা সীদেদ প্যের ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লেদিনোভিচ অমসুং হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টে অমদি মহাক্কী প্যের য়ু এসকী কোকো বান্দিৱিগিগা ফাইনেল শান্নরগনি। মিক্স দবলসকী কাঙলুপতনা য়ু এসকী বেথেনি মাটেক অমসুং গ্রেট বৃটেনগী জেমি মুরেনা পোলেন্দগী এলিসিয়া রোজোলস্কা অমসুং ক্রোসিয়াগী নিকোলা মেকটিকপা লম্বা তৌনরগনি।

# ফ্রান্স অমসুং জর্মনিনা নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহানবা মেচতা পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে

মুনিক, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী)ঃ য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসনগী মখাদা পাঙথোকপা কন্টিনেন্ট অদুগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা য়ু ঈ এফ এ নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেচ অমদা ফ্রান্স অমসুং জর্মনি পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।



জর্মনিগী সিটি মুনিকতা শান্নখিবা মেচ অদু য়ূম্বু ওইরিবা টিম অদুগা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইরিবা ফ্রান্সকা লম্বা তৌনখিবনি। পনবা য়াবদি য়ু ঈ এফ এ নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি অহানবা ওইনা এসোসিএসন অসিগী মেম্বর লৈবাক ৫৫ না পূন্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা নুপাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি থা অসিগী ৬ তগী হৌরগা চহীসিগী নবেম্বর ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক ৫৫ না পূন্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা অহানবা য়ুরোপকী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা লীগ এ দগী হৌরগা দি ফাওবা লীগ মরি থোক্লা টিমশিং অসিগী কাখল শেমদোক্লি। লীগ খুদিংগী কাখল অমমমদা গ্রুপ মরি/মরি লৈদুনা টিম ৫৫ না লম্বা তৌদুনা অহানবা য়ু ঈ এফ এ নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌনবা হোৎনগদৌরিবনি।

ঙরাং অথেংবদা জর্মনিগী সিটি মুনিকতা শান্নখিবা লীগ এগী গ্রুপ ৱানদা য়ূম্বু লৈবাক জর্মনি অমসুং ফিফা ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ফ্রান্সকা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখি। লীগ বিদা য়ুক্রেননা জেক রিপব্লিকপু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থীবা পীখি। লীগ অদুমক্তদা ৱেলস টিমনা রিপব্লিক ওফ আইরলেন্দবু ৪-১ দা থোইখি। লীগ সীদা নোরৱে অমসুং বলগেরিয়াগী টিমনা মখোয় মখোয়গী মেচশিং অদু মায় পাক্তুনা পোইন্ট মান্নদুনা লৈরি। লীগ দিদা জিওর্জিয়াগী টিমনা কজাখষ্টানবু ২-০ দা থোইখি। গ্রুপ অদুমক্তদা লাটভিয়া অমসুং এন্দোরা দ্রো চৎখি। লীগ অদুগী গ্রুপ ফোরদা মেসিদোনিয়া অমসুং অরমেনিয়ানা মেচ মায় পাক্তুনা মকোক থোংবা ঙম্লি।

# আই এস এস এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী সৌরব চৌধুরিনা জুনিয়রগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলগী অনৌবা রেকোর্দ থমখ্রে

চাংৱোন, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী)ঃ সাউথ কোরিয়াগী সিটি চাংৱোনদা চত্থরকপা ইন্টর্নেসনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আই এস এস এফ) ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী থা অসিগী ৬ তা পাঙথোকখিবা নুপাগী জুনিয়রগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী শুটর সৌরব চৌধুরিনা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখ্রে।



আই এস এস এফ কম্পিটিসন অসি জুনিয়র অমসুং সিনিয়রগী কেটিগরি অনী থোক্না পাঙথোকপনি। সিনিয়রগী শুটরশিংনা মকোক থোংবা থাক অহুমগী মনুং চল্লবদি কুমজা ২০২০ টোকিয়ো ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। অদুগা কেটিগরি অসিগী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা মরিশুবা পোজিসনদা লৈবা শুটরশিংনা মখোয় মখোয়না ফংলিবা পোইন্টশিং অদু অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরিবা শুটরশিং অদুগা য়েংনরুবা অমদি মখোয়না শরুক য়ারকপা লৈবাক অদুগী শুটর মশীং অদুগা চাংদম্নরবা মতুং ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী তাঞ্জা অমা লৈরি।

চাংৱোন আই এস এস এফ শুটিং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়ারিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী শুটরশিংনা চপ মান্নবা ইভেন্ট অমদা শুটর অনী শরুক য়ারকপা মতমদা মকোক থোংবা থাক অহুমগী মনুং চনবা ঙমখ্রবা শুটর অমা য়াওরবা মতুংদা খ্বাইদগী নক্লবা মরিশুবা থাক্তা করিগুম্বা লৈবাক অদুগী শুটর অমা লৈবা ঙল্লবদি মহাক অদুসু ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবগী খুদোংচাবা পীরি।

সেপ্টেম্বর ৬ কী অয়ুক্তা সাউথ কোরিয়াগী সিটি চাংৱোনদা পাঙথোকপা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী জুনিয়র কেটিগরিগী নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ তা ঙাইরিবা শুটর সৌরব চৌধুরিনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী জুনিয়রগী ওইবা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেদলসু ফংখি।

চৌধুরিনা থা অসিগী ২ দা লোইশিনখিবা ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইখিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখিবনি। মহাক্না ঙসি জুনিয়রগী নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি। ফাইনেল রাউন্দ অদুদা সৌরব চৌধুরিনা পোইন্ট ২৪৫.৫ ফংদুনা জুনিয়রগী থাক্তা পাঙথোকপা আই এস এস এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেদলসু ফংখিবনি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা শরুক য়ারকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ূম্বু লৈবাক সাউথ কোরিয়াগী শুটর হো জিন লিমনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মকোক ওইরবসু ফাইনেল রাউন্দদা পোইন্ট ২৪৩.১ ফংলগা সিলভর মেদল লৌখি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সিনিয়রগী শুটর অবিশেক বর্মননা নুপাগী মিটর ৫০ গী পিষ্টোল ইভেন্টতা নিপানশুবা পোজিসন তাখিবদগী টোকিয়ো ২০২০ ওলিম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা অদু মাঙজখি। ইন্দিয়াগী জুনিয়রগী নুপাগী ট্রেপ টিমনা ঙসি সিলভর মেদল অমসু লৌবা ঙমখি। টিম অদুদা য়াওরিবা অমান অলি ইহালি, ভিভান কাপুর অমসুং মানবঅদিত্য সিংহ রাথোরনা পুন্না পোইন্ট ৩৪৮ ফংদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিমগী মতুংদা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

# মণিপুর নুপীগী সিনিয়র ফুটবোল টিমগী শান্নরোয় ২০ খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ থা অসিগী ১৮ দগী ওক্টোবর ১ ফাওবা ওরিষাগী সিটি কটকতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৪ শুবা সিনিয়র ৱুমেন নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮-১৯ দা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুর ষ্টেটকী শান্নরোয় ২০ খনখ্রে হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি - গোলকীপরদা ঈ পান্থোই চনু (ঈ এস য়ু), ও রোসনি (এম পি এস সী) অমসুং এম লিন্থোইঙম্বী (কৃপসা); দিফেন্দরদা এ রোমা (এম পি এস সী), ঈ এস য়ুদগী জি রাধারানি, টি এস উমাপতি, এন জি স্বিতিনি অদুগা কৃপসাদগী এল মাধবী অমসুং দল্লিয়ু লিন্থোইঙম্বীনি। মিদফিল্ডদা ঈ এস য়ুদগী এম মন্দাকিনি, আই প্রমেশ্বরি, দল্লিয়ু রানিবালা অমসুং কাসিমানি।

কৃপসাগী মায়কৈদগী এল অসারানি অমসুং ৱাই হেমোলতাসু শান্নরোয় ২০ খনগৎপদা য়াওখি। ৱাই দল্লিয়ু সী (এল) দগী এস রিনারোইসু টিম অদুদা য়াওরি। অদুগা কটকতা শান্নগদৌরিবা ২৪ শুবা সিনিয়র ৱুমেন নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮-১৯ দা মণিপুরগী টিমগী ওইনা ষ্ট্রাইকরগী থৌদাং লৌগদৌরিবা শান্নরোয় মরি খনগৎখিবা অদু কৃপসাগী শান্নরোয় ঙাক্তা ওইখি। মখোয়শিং অদুদি - এন জি বালা, দাংমৈ গ্রেস, এন রতনবালা অমসুং ঈ বিদ্যারানিনি।

খনগৎলবা শান্নরোয় ২০ অসিনা নেসনল টুর্নামেন্ট অদু শরুক য়াদ্রিঙৈ মাঙওইননা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসল টর্ফতা ঙরাংদগী হৌদুনা ট্রেনিং চত্থরি।

# এম য়ুগী ইন্টর কোলেজ টুর্নামেন্ট অমসুং ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী ঙরাং পাঙথোকখিবা একজিক্যুটিব বোদি মীফমদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী শান্নবগী কেলেন্দর অদু ফোংদোকপগা লোয়ননা মপান লমদা পাঙথোক্কদবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি হায়না য়ুনিভর্সিটি অসিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টসকী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কোলেজশিং অমদি য়ুনিভর্সিটি মশামক্তা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী ওইবা ত্রায়ল সেলেক্সন থা অসিগী ১৫ দগী হৌগদৌরি। নুপা অমসুং নুপীগী বাস্কেটবোল টুর্নামেন্ট সেপ্টেম্বর ১৭ অমদি ১৮ দা এম য়ুগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি। নুপা অমসুং নুপীগী ভোলিবোল টুর্নামেন্ট, বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট, হেন্দবোল, আর্চরি, টেবল টেন্নিস, কবাদ্দি, চেছ, ৱেটলিফটিং অমদি পাৱরলিফটিং লোয়ননা ফিজিক, জুদো, রেষ্টলিং, শুটিং অমসুং সোফ বোলগী গেমশিং ইম্ফালদা লৈবা কোলেজশিংগী কেম্পসতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

মফম অসিদগী হৌখিবা মশান্না অমা ওইরিবা কাঙগী কম্পিটিসন অদু মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১০ দগী এম য়ু কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদৌরি। মুক্নাগী লম্বা অদুনা ককচিংগী খা মণিপুর কোলেজতা থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬ তা শান্নরগনি। কাঙ, মুক্না অমদি থাঙ-তাগী মশান্নশিং অদুসু মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ টুর্নামেন্ট অসিদা য়াওগদৌরি।